# কুমজা ২০২০ দিলগী মতুং ইন্না টর্কিনা মখোয়গী ক্রুপশিং অফঘানিষ্টানদগী অথুবদা লৌথোক্কদবনি: টালিবান

কাবুল, জুন ১১ (এজেন্সী) :

মমাং চহী ২০২০ দা অফঘানিষ্টানদগী ফোরেন ক্রুপশিং লৌথোকপা হায়না য়ানখিবা অদুগী মতুং ইন্না টর্কিনসু লৈবাক অসিদা দিপ্লোয় তৌদুনা থল্লিবা মখোয়গী ক্রুপশিং অথুবা মতমদা লৌথোকখিগদবনি হায়না টালিবানগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা টালিবানগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা অফঘনিষ্টানদা ঈংতপ্পা পুরক্লবা হোৎনবদা পায়খৎলকপা খোঙথাংশিংগী মতুং ইন্না লৈবাক অদুদা হান্না দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরিবা ফোরেন ক্রুপশিং লৌথোকপা হায়না য়ানখিবনি। নেটো অমসুং য়ু এসনা মখোয়গী ক্রুপশিং লৈবাক অদুদগী লৌথোকপা হৌখ্রবসু টর্কি ক্রুপশিংদি হৌজিকসু লৈবাক অসিদা লেংদনা লৈরি। মরম অদুনা টর্কিনা য়ানখিবা অদুবু ঈকায়খুম্নবা উত্তুনা মখোয়গী ক্রুপশিং লৈবাক অদুদগী লৌথোকখিগদবনি হায়রি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লুচিংবা নেটো ফোর্সশিংনা কাবুলগী এয়রপোর্ট থাদোক্তুনা চৎপা হৌখ্রবা মতুং অনকারানা এয়রপোর্ট অদু মখোয়না মখা তানা ঙাক শেন্দুনা লৈগে হায়না অফঘানদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা টালিবাননা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মফমদুদা থাদোক্তুনা চৎখিনবা ফোঙদোরকখিবনি।

অনকারাগী ওইনদি অফঘানিষ্টানদা ফোরেন ক্রুপশিং লৌথোকখিবা অদুনা লৈবাক অদুদা তংদু লৈতাবা ফীভম অমা পুরকপা ঙম্লোই। ফোরেন ক্রুপশিং লৌথোকখিবা অদুনা মরম ওইরগা হান্নদগী হেন্না তংদু লৈতাদবা ফীভম অমদা লাকহনগনি। ফোরেন ক্রুপশিং লৌথোকপা হৌখ্রবা মতুং টালিবান ফাইটরশিংনা হান্নদগী হেন্না মীয়াম তিনবা অমদি গর্ভর্ণমেন্ট সেক্তরশিংদা এটেক চথবগী চাং হেনগৎলক্লি।

হৌখিবা চহী ২০ লোম অসিদা টর্কিসু নেটো ফোর্সকী শরুক অমা ওইদুনা লাক্লি। মরম অদুনা মমাং চহীগী ফেব্রুৱারী ২৯ দা য়ু এস অমসুং টালিবান অনীগী মরক্তা তৌনখিবা দিল অদুগী মতুং ইন্না টর্কিনসু মখোয়গী ফোর্সশিং অফঘানদগী লৌথোক্কদবনি।

টালিবানগী ৱাঙাঙলোয় সুহেন সাহিননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা টর্কি অসি ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী ওইনা য়াম্না মগুণ লৈবা লৈবাক অমনি। অফঘান অমসুং টর্কিগী মরক্তা অঙনবা মতমদগী হৌরগা অফবা মরী থমদুনা লাক্লি। অফঘানিষ্টাননা মখা তানা টর্কিগা অফবা অমদি নক্লবা মরী থমদুনা থবক তৌমিন্নবগী পান্দম থল্লি। অদুবু করিগুম্বা টর্কিনা য়ানখিবা অদুগী মায়োক্তা থবক তৌরক্লবদি তুংদা পামদবা থৌদোক কয়া থোরকপা য়াই হায়রি।

য়ু এস অমসুং নেটোগী ক্রুপশিং লৌথোকপা হৌখ্রবা মতুং অফঘানিষ্টানদা হৌজিক ফোরেন ক্রুপ মশীং খ্বাইদগী য়াম্না দিপ্লোয় তৌদুনা লৈবা লৈবাক অসি টর্কিনা ওইহৌরে। অফঘানিষ্টানদা টর্কি ক্রুপ ৫০০ হেন্না হৌজিকসু লৈরি। মখোয়না অফঘান সেক্যুরিটি ফোর্সশিংবু ত্রেনিং পীবগী থবক চথুরি।

অমরোমদা অফঘানিষ্টানদগী ফোরেন ক্রুপশিং লৌথোকখিবা অদুনা মরম ওইরগা অফঘানদা লৈরিবা মীয়ামশিংদা চাওনা মীপায়বা পোকহল্লে। করিগুম্বা টালিবাননা অফঘানবু মপুং ফানা পায়শিনখিবা তারবদি লৈবাক অসিগী তুংগী লম্বীদা চাওনা খুদোংথিবা থোরক্লবা য়ানা লৈ। মসিদা নত্তনা মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তসু অচৌবা থ্রেট অমা ওইরকপা য়াই হায়না মশক মমিং ফোঙদোক্তবা অফঘান গভর্ণমেন্ট ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।



# ইথিওপিয়াগী টিগ্রেদা মীওই লাক্ষ ৩ হেন্না চাবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরি

অদিস অবাবা, জুন ১১ (এজেন্সী) :

লালনা অচৌবা চৈথেং পীখ্রবা ইথোওপিয়াগী টিগ্রেদা হৌজিক হৌজিক মীওই ৩,৫০,০০০ রোম চাবা ফংদবগী অচৌবা অৱাবা মায়োক্লরি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী এজেন্সিশিং অমসুং এইদ গ্রুপশিংনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এন এইদ চীফ মার্ক লৌকোকনা ফোঙদোকখিবদা টিগ্রেদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি থম্মোয় শোকনিংঙাইনি। নাকল অনীগী মরক্তা থা কয়া চুপ্পা লাল শোক্লদুনা লাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা টিগ্রেগী মফম অয়াম্বা চাওনা অমাং অতা থোকখ্রে অমদি মহৈ মরোং থারম্বা লৌফম কয়া বোম পোকখায়গী থৌদোক্তা মাঙহন তাকহনখ্রে।

মফম অদুদা লৈরিবা মীওইশিংনা হৌজিক হৌজিক লৌউ শিংউ তৌদুনা চানবা পোৎলমশিং থানবা উপায় অমত্তা লৈত্রি অমদি হান্না লৈজরম্বা চানা থক্লবা পৈশিনবা মফমশিংসু অমাং অতা থোকখিবনা মরম ওইরগা মীওই কয়া চাবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লদুনা লৈরি।

মালেমদা লৈরিবা লৈবাকশিংদা চাবা ফংদবগী অৱাবশিং মফম মফমশিংদা থোকপগী পাউ ফংলি। অদুমওইনম মালেমগী ওইনা টিগ্রেদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শাথিবা ওইরি। টিগ্রেদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা ইন্তরনেস্নেল কম্যুনিটিশিংনা মতম চানা খুৎ থিংজিনহৌদ্রবদি মীওই কয়া অশি অনা নংলবা য়ানা লৈরি।

লালনা মরম ওইরগা টিগ্রেদগী মীওই মিল্লিয়ন মখায় রোম ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা চৎনখ্রে। হৌজিক লৈহৌরিবা মীওইশিংগী চাদা ৯০ না চানা থক্লবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমদি য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননসু ইন্তরনেস্নেল কম্যুনিটিশিংনা টিগ্রেদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা খুদক্কী ওইনা চানা পোৎলমশিং তেংবাং পীনবা ফোংঙদোকখিবা লৈখ্রে।

য়ুনাইটেদ নেসন্সতা য়ু এসকী এম্বেসেদর ওইনা লৈরিবা লিন্দা থোমাসনা ফোঙদোকখিবদা য়ু এন সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা টিগ্রেদা ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা খন্ননবগীদমক পাব্লিক মিটিং অমা পাঙথোকপা ঙমদবা অসিবু লাইবকথিবনি। সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা হীরম অসিগী মতাংদা মতম চানা অহেনবা মীৎয়েং চঙলম্লবদি টিগ্রেদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি ওইরমদবসু য়াই। হৌজিকসু টিগ্রেদা লৈরিবা মীয়ামদা ৱর্ল্ড পৱারশিংনা মতেং পাংলবদি খুদোংচাদবশিং কোকহনবা ঙমগনি হায়রি।



## অঙাং ১ য়াওনা মীওই ২ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

মিয়ামি, জুন ১১ (এজেন্সী) :

ফ্লোরিদাদা হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা গ্রোসরি ষ্টোর অমদা খুৎলায় পায়বা মীওই অমনা চহী নৌরিবা অঙাং অমা য়াওনা মীওই অনী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদু মীয়ামিগী অৱাং থংবা শরুক্তা মাইল ৮০ রোম চৎলগা লৈবা রোয়েল পাল্ম বিচতা লৈবা পব্লিক গ্রোসরি ষ্টোর অমদা থোকখিবনি। গ্রোসরি ষ্টোর অদুদা নোংমৈ কাপ্পগী পাউ হেক ফংবগা পাল্ম বিচ কাউন্টি সেরিফশিং মফমদুদা চঙশিনখি।

সেরিফশিংনা মফম অদু য়ৌখিবা মতমদা গ্রোসরি ষ্টের অদুদা চহী নৌরিবা অঙাং অমা, অহল ওইরবী নুপী অমা অমসুং নুপা অমা শিদুনা তারম্বা থেংনখি। মখা তানা থিজিনখিবগী মতুং ইন্না শিরল্লিবা মীওই অদুনা অতোপ্পা মীওই অনী অদুবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি হায়বা খঙবা ঙমখি। মখোয় অনী হাৎলবা মতুং মশা মতোমতা নোংমৈনা কাপশিন্দুনা শিজখিবনি হায়না উহৌবশিংনা পুলিসতা পাউদমলকখি হায়রি।

অমরোমদা থৌদোক্তুদা লৈখিদ্রবশিং অদুগী মতাংদা পুলিসকী মায়কৈদগী চপ চাবা ইনফোর্মেসন মীয়ামদা খঙহল্লকপা লৈত্রি। অমদি করি মরমগীদমক নুপা অদুনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু চথখিবনো হায়বগী মতাংদসু খঙবা ঙমদ্রি। পনবা য়াবদি য়ু এসদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিংনা মীওই কয়া শিহল্লি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তসু খুৎলাই পায়বা অমনা গ্রেজুয়েসন পার্টি অমদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীওই ৩ হাৎখিবগা লোয়ননা মীওই ৫ অশোক অপন নংহনখি। মমাং চয়োলদসু মীয়ামিদা পাঙথোকখিবা মী য়াম্না তিনবা কন্সর্ট অমদা নোংমৈ পায়বা মীওই অহুমনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক্তা মীওই অনী শিখিবগা লোয়ননা ২০ হেন্না অশোক অপন নংহনখি।

## নভালনিগী হকচাংগী ফীভম ফগৎলক্লি

মোস্কো, জুন ১১ (এজেন্সী) :

প্রো দিমোক্রেসি এক্তিভিষ্টশিংনা চঙশিনখিবা খোঙজং অমদা শরুক য়াখি হায়বগী মরালদা রুসিয়ন ওথোরিটিনা ফাজিন্দুনা জেলদা থল্লকখিবা ক্রেমলিন ক্রিটিক এলেক্সে নভালনিগী হকচাংগী ফীভম হান্নদগী ফাগৎলক্লে হায়না মহাক্কী এলাই ধানোপনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

নভালনিগী এলাইদ অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা জেলদা লৈরিবা ক্রিটিক অসিগী হকচাংগী ফীভম হৌখিবা এপ্রিল থাদা অদুক্কী মতিক শোকচিল্লকখি। মদুনা মরম ওইরগা নভালনিবু প্রিজন হোস্পিটাল অমদা থমদুনা ট্রিটমেন্ট চথুরকখিবনি। হৌজিক্তি মহাক্কী হকচাংগী ফীভম হান্নদগী ফগৎলকখ্রে। অদুমওইনমক মখা তানা মহাক্না চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লক্লবদি খুদোংথিবা থোক্লবা য়ানা লৈ হায়রি।

## রুসিয়ানা ইরানদা এদভান্স সেটিলাইট অমা সপ্লাই তৌগদৌরি



ৱাশিংটন, জুন ১১ (এজেন্সী) :

মিদল ইষ্টতা ওইরিবা ফীভম অসিগা মরী লৈননা মিলিটরি টার্গেটশিং ত্রেক তৌবা ঙম্বা য়াম্না এদভান্স ওইরবা সেটিলাইট মখল অমা রুসিয়ানা ইরানদা সপ্লাই তৌনবা শেম শারি হায়না ৱাশিংটন ফোর্সকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না রুসিয়ানা দিভলপ তৌবা এদভান্স সেটিলাইট কানোপুস-ভি অসিদা রিজোলুসন য়াম্না ৱাংবা কেমেরাশিং য়াওরি অমদি হায়রিবা সেটিলাইট অসি থা অসিগী মনুংদা রুসিয়ানা লোঞ্চ তৌরবা য়ানা লৈ হায়রি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অমসুং রুসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা জেনেভাদা উন্নদ্রিঙৈগী মাংওইননা ৱাশিংটন ফোর্সনা রিপোর্ট তৌরকখিবনি। ইরাক অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেট অনীগী মরক্তসু নাকোয়ননা হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা তৌনখিবা ন্যুক্লিয়র দিল অদু অমুক হন্না হিংগৎহন্নবা ৱারী শাবগী থবক চথুরি।

ইরানগী ইস্লামিক রিভোলুসনরি গার্দ কোর্পসনা রুসিয়াদা হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দগী সেটিলাইট মখল অসি পীনবা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। মদুগী মতুং রুসিয়ন এক্সপার্টশিংনসু ইরানদা লাক্তুনা সেটিলাইট অসিবু ওপরেট তৌনবা মফমশিং শেম শানবা য়েংশিনবগী থবক চথবা হৌখ্রবনি।

অমরোমদা ইরান রিভোলুসনরি গার্দনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না মমাং চহীগী এপ্রিল থাদা ইরাননা লৈবাক অদুগী অহানবা মিলিটরি সেটিলাইট অমা ওর্বিটতা মায় পাক্লা থাগৎখ্রে হায়রি।

## চাইনানা হান্না শেমদুনা থমখিবা ওর্বিটতা সেটিলাইট মরি মায় পাক্লা থাগৎখ্রে

বৈজিং, জুন ১১ (এজেন্সী) :

ইকোলোজিকেল ইনভাইরোনমেন্ট মোনিটর তৌনবা, এষ্টেরোইদ রিসোর্ছ এক্সপোর্ট তৌনবা অমদি দিজাষ্টর প্রিভেন্সন তৌনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা ইনফোর্মেসন কলেক্ট তৌনবগীদমক চাইনানা ঙসি হান্না শেমদুনা থমখ্রবা ওর্বিটতা সেটিলাইট মরি মায় পাক্লা থাগৎখ্রে হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

রিপোর্টশিং অসিগী মতুং ইন্না সানঝি প্রোভিন্সকী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা টাইয়ুৱান সেটিলাইট লোঞ্চ সেন্তরদগী অয়ুক পুং ১১.০৩ তারকপা মতমদা সেটিলাইশিং অদু লোঞ্চ তৌখিবনি। থাগৎখ্রবা সেটিলাইটশিং অদুগী মনুংদা চাইনা স্পেসসেট কো লিমিটেদনা দিভলপ তৌখিবা কম্মরসিয়েল রিপোর্ট সেনসিং সেটিলাইট বৈজিং-৩ য়াওরি। সেটিলাইট অসিনা মরু ওইনা রিসোর্ছ ইনভেষ্টিগেসন, ইকোলোজিকেল এনভাইরোনমেন্ট মোনিটরিং, অরবান মেনেজমেন্ট অমদি দিজাষ্টর প্রিভেন্সন এন্দ মিটিগেসনগী থৌরমশিংদা শীজিন্নগনি।

লেমহৌরিবা সেটিলাইট অহুম অদুনা মেরিন ইকোলোজিকেল ইনভাইরোনমেন্ট ওবজার্বেসন রিসার্ছ তৌবদা, এষ্টেরোইদ রিসোর্ছ এক্সপ্লোরেসন, ওর্বিট টিচিং এন্দ ত্রেনিংগী থবক থৌরমশিংদা শীজিন্নগনি।

হৌখিবা জুন ৩ দসু চাইনানা হান্ননা শেম শাদুনা থমখ্রবা ওর্বিটতা অনৌবা জেনরেসনগী মেটিওরোলোজিকেল সেটিলাইট অমসু মায় পাক্লা থাগৎখ্রবনি। চাইনানা মায় পাক্লা থাগৎখ্রবা এফ ৱাই-৪ গী সেটিলাইট অদুনা ৱেদর এনালাইসিস এন্দ ফোরকাষ্টিং অমসুং ইনভাইরোনমেন্টল এন্দ দিজাষ্টর মোনিটরিংগী থবক থৌরমশিংদা শীজিন্নগনি।

চাইনা নেস্নেল স্পেস এদমিনিষ্ট্রেসন্না হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা চাইনানা হন্দক মায় পাক্লা থাগৎখ্রবা সেটিলাইটশিং অসিনা লৈবাক অদুগী থবক থৌরম কয়াদা চাওনা মতেং পীরগনি। লৈবাক অদুদা মহৌশানা থোকহল্লকপা য়াবা খুদোংথিবশিংগী মতাংদা ঙন্না খঙদোক্তুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী মতম ফংলগনি। মসিনা মরম ওইরগা মহৌশাগী ওইবা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিংনা মীওইবগী পুন্সি অরেম্বদা মাঙহনবগী চাং হন্থহনবতা নত্তনা লৌউ শিংউবগী থবক থৌরমশিংদসু চাওনা মতেং পীরগনি হায়রি।

## হীদাক কাপথোক্লবা মীওইশিং মাস্ক উপত্রবদা অয়াবা পীরবা য়ানা লৈরি

ব্রসিলিয়া, জুন ১১ (এজেন্সী) :

কোভিদ-১৯ ভেক্সিন দোজ শিং মপুং ফানা কাপ্লবা মীওইশিংনা চখোক চৎশিন তৌবদা মাস্ক উপত্রবসু য়ানবা খন্নবা হৌখ্রে হায়না ব্রজিলগী প্রসিদেন্ট জের বোরসোনারোনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মাস্ক মতম শাংনা উপ্পগা লৈবা হায়বসি অফবা নত্তে হায়রি।

মহাক্ল মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অদুগী হেল্থ মিনিষ্টরনা হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগা উন্নদুনা খন্নবা হৌখ্রে। লৈবাক অদুগী ওইনা ক্বারেন্টিন সেন্তর অসি কোভিদনা শোকহল্লবা মীওইশিং খক্তগী ওইহল্লগনি। কোভিদ নাদবা মীওইশিং ক্বারেন্টিন তৌদুনা লৈবগী থোইদোকপা মথৌ তাদ্রে হায়না কোরোনা ভাইরসনা মী খ্বাইদগী হেন্না শিহনখিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অনীশুবা ওইরিবা ব্রাজিলগী প্রসিদেন্টনা অসিনা ফোঙদোরক্লি।

প্রসিদেন্ট বোরসোনারোনা কোভিদ ভেক্সিন দোজ মপুং ফানা কাপখ্রবশিং মাস্ক উপত্রবসু য়ানবা খন্নরি হায়না ফোঙদোকখ্রবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি করম্বা মতমদগী চৎনবা হৌগদগে হায়বগী মতাংদদি চপ চানা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

অমরোমদা লৈবাক অদুগী হেল্থ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা ফেস মাস্ক অসি কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা থিংনবগীদমক শীজিন্নবনি। অদুবু মতম শাংনা মাস্ক উপ্পনা হকচাংদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লকপা য়াবগী অচৌবা মরমশিং লৈ। কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপথোকখ্রবশিংনা মাস্ক উপত্রবসু চখোক চৎশিন তৌবদা অয়েৎপা পীদনবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হোৎনরি হায়রি।

## জি-৭ লিদরশিংনা কোভিদ ভেক্সিন দোজ বিল্লিয়ন অমা দোনেট তৌবদা য়ানখ্রে




ফালমোথ, জুন ১১ (এজেন্সী) :

লন্দনদা হৌজিক হৌজিক পাঙথোক্লিবা জি-৭ সম্মিটতা শরুক য়ারিবা লুচিংবশিংনা মালেমগী লৈবাক পুম্বদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ থিংনবা হোৎনবদা লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংগী মনুং চন্না তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা কোভিদ ভেক্সিন দোজ বিল্লিয়ন অমা দোনেট তৌবদা য়ান্নখ্রে হায়না বৃটেনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

য়ু কেগী মচিন চৎপা ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরকখিবদা মালেমগী মপাঙ্গল কল্লবা লৈবাকশিংগী ওইবা মীফম অদুদা ফাইনান্সিং স্কিমগী খুত্থাংদা য়ামদ্রবদা কোভিদ ভেক্সিন দোজ বিল্লিয়ন অমা দোনেট তৌনবা য়ানখিবনি।

ইকনমিগী ফীভম কা হেন্না ফরিবা লৈবাকশিংনা শোথরবা লৈবাকশিংদা কোভিদ-১৯ মায়োক য়াবদা মতেং পীবা হায়না য়ানখিবগা লোয়ননা লাইরবা লৈবাকশিংদা মথৌ তারিবা কোভিদ-১৯ মায়োক য়াবদা শীজিন্নগদবা মচাকশিং পীবদা য়ানখি। বৃটেনগী ওইনা কা হেন্না লাইরবা লৈবাকশিংদা মতেং পীনবগীদমক কোভিদ ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন ৪০০ হেন্না ওর্দর তৌখ্রে। অতোপ্পা লৈবাকশিংনসু তোঙান তোঙানবা শোথরবা লৈবাকশিংদা মতেং পীনবগীদমক শেম শাবা হৌখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্লা মায়োক্লরিবা অৱাবা অমনি। লায়না লাইচৎ অসিনা কা হেন্না ফীভম শোকহল্লবা লৈবাকশিংদা তেংবাং পীবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই।

ইন্দিয়াদা হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোকপগী চাং হান্নগা য়েংনরুব্দা খরা মখৈ হন্থরক্লবসু য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তারি। ইন্দিয়াদা মালেমগী লৈবাকশিংনা হৌজিক্কী ওইনা অহেনবা মীৎয়েং চঙবগী মথৌ তাই। এসিয়াদা লৈরিবা লৈবাক খুদিংমক্তা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মায়োক য়ানবা হোৎনবদা মতেং পাংবা হায়নসু ঙসিগী ফীভম অদুনা য়ানখি হয়রি।

## বস মথক মখা ওনবগী থৌদোক্তা ২০ শিরে, ১০ শোক্লে

ক্বেটা, জুন ১১ (এজেন্সী) :

পাকিষ্টানগী খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা কুম্মৈ অমা য়াওরুবা মীওইশিং পুদুনা হল্লকখিবা বস অমা কন্ট্রোল ঙমহৌদবদগী মথক মখা ওনবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ২০ শিখিবগা লোয়ননা ১০ না অরুবা ফীভমদা শোকহনখ্রে হায়না ওফিসলশিং অমসুং হোস্পিটাল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদু বলোচিষ্টান প্রোভিন্সকী মনুং চনবা খুজদার দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি অয়ুক অঙনবদা থোকখিবনি। বস অদুদা তোংবা য়াবা মী মশীংদগী কা হেন্না তোংদুনা থৌরকখিবনি। মনুংদা তোংবা চন্দবদগী বস অদুগী মথক থংবা শরুকশিংদসু মীওই খরা তোংদুনা লাকখি।

য়াল্লবা মীওইশিং অদুবু পুদুনা লাকখিবা বস অদু লম্বীগী অকুৎপা মফম অমদা য়ৈশিল্লবা মতুং মী কা হেন্না তোংশিল্লকখিবা মরমনা কন্ট্রোল ঙমদবদগী মথক মখা ওনবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা মীওই ২০ শিখিবগা লোয়ননা ৪০ রোম শোকহনখি। অশোকপশিং অদুগী মনুংদা ১০ দি অরুবা ফীভমদা লৈরি হায়না খুজদার দিষ্ট্রিক্টকী দি সী বাসির অহমদনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লাইবকথিবা থৌদোক অদু লোকেল মুস্লিম সেন্ট অমবু ঈকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরম অমা য়াওরুরবা মতুংদা হল্লকপগী লম্বীদা থোকখিবনি।

## কোভিদনা কা হেন্না শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 175,686,259 | +80,330 | 3,790,459 | +1,912 | 159,560,940 | 12,334,860 |
| 1 | USA | 34,275,783 | | 614,007 | | 28,278,394 | 5,383,382 |
| 2 | India | 29,274,823 | +1,485 | 363,097 | | 27,790,073 | 1,121,653 |
| 3 | Brazil | 17,215,159 | | 482,135 | | 15,670,754 | 1,062,270 |
| 4 | France | 5,729,967 | | 110,270 | | 5,471,081 | 148,616 |
| 5 | Turkey | 5,313,098 | | 48,524 | | 5,186,728 | 77,846 |
| 6 | Russia | 5,180,454 | +12,505 | 125,674 | +396 | 4,782,183 | 272,597 |
| 7 | UK | 4,542,986 | | 127,867 | | 4,283,263 | 131,856 |
| 8 | Italy | 4,239,868 | | 126,855 | | 3,943,704 | 169,309 |
| 9 | Argentina | 4,066,156 | | 83,941 | | 3,639,402 | 342,813 |
| 10 | Spain | 3,729,458 | | 80,465 | | 3,505,243 | 143,750 |
| 11 | Germany | 3,718,617 | | 90,283 | | 3,569,000 | 59,334 |
| 12 | Colombia | 3,665,137 | | 94,046 | | 3,409,076 | 162,015 |
| 13 | Iran | 3,013,078 | +9,966 | 81,796 | +124 | 2,624,802 | 306,480 |
| 14 | Poland | 2,877,007 | +341 | 74,515 | +68 | 2,647,688 | 154,804 |
| 15 | Mexico | 2,445,538 | +3,672 | 229,578 | +225 | 1,948,268 | 267,692 |
| 16 | Ukraine | 2,221,427 | +1,603 | 51,577 | +70 | 2,120,780 | 49,070 |
| 17 | Peru | 1,995,257 | | 187,847 | | N/A | N/A |
| 18 | Indonesia | 1,894,025 | +8,083 | 52,566 | +193 | 1,735,144 | 106,315 |
| 19 | South Africa | 1,722,086 | | 57,410 | | 1,593,059 | 71,617 |
| 20 | Netherlands | 1,669,121 | | 17,705 | | 1,553,693 | 97,723 |
| 21 | Czechia | 1,664,839 | +190 | 30,219 | +2 | 1,628,416 | 6,204 |
| 22 | Chile | 1,453,478 | | 30,339 | | 1,376,335 | 46,804 |
| 23 | Canada | 1,398,275 | | 25,873 | | 1,353,147 | 19,255 |
| 24 | Philippines | 1,300,349 | +6,686 | 22,507 | +196 | 1,216,497 | 61,345 |
| 25 | Iraq | 1,242,540 | | 16,648 | | 1,159,973 | 65,919 |
| 26 | Sweden | 1,083,456 | | 14,537 | | 1,018,539 | 50,380 |
| 27 | Romania | 1,079,530 | +103 | 31,681 | +20 | 1,043,803 | 4,046 |
| 28 | Belgium | 1,074,204 | +846 | 25,068 | +7 | 991,558 | 57,578 |
| 29 | Pakistan | 938,737 | +1,303 | 21,576 | +47 | 873,543 | 43,618 |
| 30 | Portugal | 855,432 | | 17,043 | | 814,023 | 24,366 |
| 31 | Israel | 839,650 | +20 | 6,428 | | 833,000 | 222 |
| 32 | Bangladesh | 822,849 | +2,454 | 13,032 | +43 | 761,916 | 47,901 |
| 33 | Hungary | 806,790 | +199 | 29,904 | +8 | 724,614 | 52,272 |
| 34 | Japan | 769,920 | +2,046 | 13,907 | +66 | 721,260 | 34,753 |
| 35 | Jordan | 742,178 | | 9,570 | | 724,469 | 8,139 |
| 36 | Serbia | 714,462 | | 6,945 | | 702,339 | 5,178 |
| 37 | Switzerland | 700,051 | +354 | 10,858 | +5 | 666,384 | 22,809 |
| 38 | Austria | 648,187 | +216 | 10,652 | +2 | 633,105 | 4,430 |
| 39 | Malaysia | 646,411 | +6,849 | 3,768 | +84 | 563,779 | 78,864 |
| 40 | Nepal | 604,396 | +2,709 | 8,305 | +67 | 520,816 | 75,275 |
| 41 | UAE | 593,894 | +2,281 | 1,720 | +3 | 573,194 | 18,980 |
| 42 | Lebanon | 542,169 | | 7,785 | | 525,900 | 8,484 |
| 43 | Morocco | 522,765 | | 9,192 | | 510,299 | 3,274 |
| 44 | Saudi Arabia | 462,528 | | 7,519 | | 444,792 | 10,217 |
| 45 | Ecuador | 436,023 | | 20,949 | | 398,645 | 16,429 |
| 46 | Bulgaria | 420,090 | | 17,887 | | 388,585 | 13,618 |
| 47 | Greece | 413,170 | | 12,370 | | 388,049 | 12,751 |
| 48 | Belarus | 403,845 | +1,026 | 2,958 | +9 | 396,650 | 4,237 |
| 49 | Bolivia | 400,047 | +3,233 | 15,321 | +74 | 315,304 | 69,422 |
| 50 | Kazakhstan | 399,096 | +1,120 | 4,136 | +12 | 374,070 | 20,890 |